# হেমন্ত খুমননা দিরেক্সন পীবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম– ‘ঐগী শাইগী হেরো’



২০২০ গী অঙনবা শরুক্তা উংনবা শেম শারকখিবা ঐচ ৩৬০ পিকচরনা প্রজেন্ট তৌবা আর জে ষ্টার প্রদক্সনগী খুদোল মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ‘ ঐগী শাইগী হরো’ মালেমগী মফম কয়াদা পাক–শন্না শন্দোরক্কুনা মীওই কয়া অমগী পূন্সি পীখন্নহনখ্রবা কোভিদ–১৯ গী লায়চৎ অসি শন্দোরক্কনবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা চথরিবা লোকদাউন অসিনা লোয়শিন্দুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিনলকপা ঙাইদুনা য়ূমদগী মপাল থোক্তনা। ফাইনেল প্রোসেসিংগী থবক চথরি।

আর জে ষ্টার প্রদক্সনগী অহানবা প্রদক্সন ওইগদৌরিবা ফিল্ম অসিগী ইন্দোর অমদি আওটদোর সুট্টিংগী থবক পুমলোই লোয়দুনা ফাইনেল প্রোসেসিংগী থবক চথরিবা ‘ঐগী শাইগী হেরো’ হায়রিবা ফিল্ম অসিগী শন্নপ্পা ৱারীদিঃ–

অহল লমনশিংনা আশা চাওনা তৌজবগা লোয়ননা য়াম্না নৌরিঙৈ মতমদগী মণিপুরগী মপালদা মহৈ মশিন তম্লকই। স্কুলদা মহৈ মশিন তম্বগী তাঙ্কক লোয়রক্তুনা কোলেজ কাবা হৌরকপা মতমদা অতাংবগী মমাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা মশাগী পোক্লফম লমদম অমা ওইরিবা মণিপুর, ইম্ফালদা থোরকখি।

মদুগী মতুংদা মমাগী কন্দিসন অদু খঙলবা মতুংদা মখা তানা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিদ্রে। মফম অদুদা মহৈ মখাসু তমথখি।

অতাংবনা মাগা পীশক পীক্লিকৈঙৈদগী তিন্নরকপী লিংজে লগা পুন্না কোলেজ অমত্তদা মহৈ তম্মিন্নখি। লিংজেলগী অপোকপা অতাংবগী অপোকপগী মখাদা থবক তৌবা মীশক অমনি।

অসুম্না অতাংবনা অহানবা কোলেজ কারকপদা সনাগা থেংনখি। অহানবা উবদা




অতাংবনা, সনাবু ঙাওজখি, নুং শিজখি। লোয়ননা মাগী থম্মোয়গী ৱাসু ফোঙদোকখি। অদুবু সনানদি য়াখিদে। থম্মোয় শেংনা নুংশিজ খিবা অতাঙবনা সনাগী মরমদা থিগৎলুবা মতমদা সনাদি কোলেজ অদুমক্তদা তম্মিন্নবা মঙাল কৌবা অমগা মরী লৈনৈ হায়বা খঙখি। অদুবু মিসঅন্দরষ্টেন্দিং অমনা মরম ওইদুনা সনা অমদি মঙাল অনীগী মরীদা অয়েৎপা অমা ওইদুনা মূক্নবা ওইরিঙৈ চৈরক্তনি।

তাঞ্জা অদুদা সনানা অতাংবগী মফমদা নকশিনখি। মতম খূদিং মঙালনা মিতাজবা সনাগী অশেংবা থম্মোয় অদু মতম শাংনা লোয়নরবসু মূৎপা ঙমদনা সানাদা লৈবদু অতাংবনা খঙলম্মী। সনাগী অশেংবা নুংশিববু অমুক্তংদি মাগী ওইগে খনবা অতাংবনা সনানা পামজরিবা মঙালগী মওং মতৌনচিংবা তমদুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি।

অদুবু সনাগী মফমদদি পূন্নমক অরেম্বা তাখি। মঙালগী মফমদা অশাওবা, কল্লকপা ওইহন্নবখক তৌখিবা সনাগী থৌশিলদু





অতাংবগী মফমদদি তায়োন্নবা ওইনা থোকখ্রে।

অদুবু মঙালগী মফমদা থল্লিবা সনাগী থাজবগী পাউখুমদা করি ফংখিবা...?

সনাবু থাজবা থল্লুবা অতাংবনা করি ওইখিবা...?

খুদিংমক অসিগী পাওখোং হৌজিক চথরিবা লোকদাউন অসিনা হাংদোক্তুনা, লায়চৎ অসি মূখৎখিদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিলক্লবা মতমদা মীয়ামদা খুদোল তম্নবা শেম শাদুনা লৈরি।

ঈশৈগী এলবম কয়াদা মায় পাক্লা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙমখিবদা নৎতনা মনা–মথুম কয়া অমসু ফংবা ঙমখ্রবা ফিল্ম অসিগী দাইরেক্টর হেমন্ত খুমননা ষ্টোরিলাইননা দিমান্দ তৌবা শোং সেক্কেন্স অহুম হাপ্তুনা অয়েংবা ভাবকশিংগী পূক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনগদৌরি।

ফিল্ম অসিদা মণিপুরগী মপাল– গোৱা অমদি ন্যু দিল্লি অমদি ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্টকী মফমশিংদা মরুওইবা লোকেসনশিং ওইনা শীজিন্নরি।

ফেমিলি, রোমান্সতা য়ূম্ফম ওইদুনা ঐচ ৩৬০ পিকচর্সনা প্রজেন্ট তৌবা আর জে ষ্টার প্রদক্সনগী অহানবা প্রদক্সনগী মরুওইবা শক্তম লাংলিবশিং দি– মেকঅপতা নাওতোন লোংজমনি। কোষ্ট্যুমদা সুরজ, ভিএফএক্স–এম পি। ষ্টোরি অমসুং স্ক্রীনপ্লেদা সন্টোস লাইশ্রম, সিনেমাটোগ্রাফিদা সঞ্জয়, এসিষ্টেন্ট সিনেমাটোগ্রাফিদা ধমেন অমদি মারজিৎ, কোরিওগ্রাফরদা বেবিচা সলাম, ম্যুজিক দাইরেক্টর না রাহুল ব্লু অমদি সুরমনি রিসিনি। সিঙ্গরদা এ জে মৈস্নাম, অরবিন পুস্পারানী অমসুং ম[illegible] দাকিনিনি।

লিরিক্সতা অবুং ৱাই অমদি খাইদেম ইমোনি। এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টরনা গোবিন্দ মঙাং অমদি রমেসনি। প্রদ্যুসরনা আর জেনা ওইরিবা ফিল্ম অসিগী দাইরেক্টরনা হেমন্ত খুমননি।

## মহৈরোইশিংগী খুদোল




*TITLE : VEGETABLE*
**Lamjingbi**
Class: II ,
Roll No: 44
Sec : DAFFODIL
School: ARENA OF LEARNING





*TITLE : SCENERY*
**Valencia Asem**
Class: IV
Roll No: 6
School: THE BLOSSOM SCHOOL







*TITLE : MY SWEET HOME*
**Luwanganba Mayengbam**
Class: II , Sec : A
Roll No:19
School: IMPHAL PUBLIC SCHOOL



*TITLE : A HOUSE*
**Princenanda Laishram**
Class: K.G
Sec : B,
Roll No : 26
School :PREMIER ENGLISH ACADAMY







*TITLE : GIRL*
**N. Liza Devi**
Class: VI,
Sec : A,
School:UNACCO SCHOOL, MEITRAM



*TITLE:SCENERY*
**Tania Ningthoujam**
Class: Nursery
Roll No- 18
School:Alpha and Omega School








*TITLE : SAVE WATER SAVE EARTH*
**Chingkhei Asem**
Class: VI,
Sec : D
Roll No: 15
School: Pitambara English School





*TITLE :KITTEN*
**Dolly Ningombam**
Class:VI
Sec : B,
Roll No- 4
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE: SCENERY*
**Henthoi L.**
Class:VI
Sec : A,
Roll No-19
School:UNACCO SCHOOL KHONGMAN



*TITLE, :ELEPHANT*
**Aditya T.**
Class:II
Sec :B,
Roll No- 49
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE, - SCENERY*
**Aryan Th.**
Class: VII,
Sec : C ,
Roll No- 5
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE, : HOUSE*
**Heiyainu N.**
Class:III
Sec :B,
Roll No- 7
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*